## ৫শুবা থোংজু কপ ২০১৮
# এস দব্লিউ সি না আর এস সিবু মায়থিবা পীরন্নগা সেমি ফাইনেল চঙখ্রে



ইম্ফাল, মে ৭ঃ
সোসিয়েল ৱেলফিয়র ক্লব খোঙমননা য়াম্না লাকচনা রাইজিং ষ্টার ক্লব থোংজু ৱাইখোম খোঙনাংবু পাঞ্জল ১১–১ দা মায়থিবা পীরন্নগা ৫শুবা থোংজু কেন্দ্র ফুটবোল টুর্নামেন্ট সেমি ফাইনেল চঙবা ঙমখ্রে।

অতোপ্পা ঙসি শান্নখিবা অরোইবা ক্বার্টর ফাইনেল মেটচ অমদা নহারোল য়াইফ থৌদাং ক্লব বাসিখোঙ পাম্বোইবিনা মোংখাম লম্বী মোর্দন ক্লবপু পাঞ্জল ২–১ দা মায়থিবা পীখ্রে।

মায় পাক্লবা টিম অনী এসদব্লিউসি খোঙমন অমদি এনৱাইটিঐচসি ওক্রম চুথেক অনীনা থা অসিগী ৮গী নুংথিল পুং ৩.৩০ দা অনীশুবা সেমি ফাইনেল মেটচ লম্বা তৌনরগনি।

থোঙজু কেন্দ্র য়ুনাইটেদ ক্লব এসোসিয়েসননা শীন্দুনা এসদব্লিউসি গ্রাউন্দা চৎথরক্লিবা টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা অহুমশুবা ক্বার্টর ফাইনেল মেটচতা এসদব্লিউসিনা আরএসসিবু য়াম্না লাকচনা পাঞ্জল ১১–১ দা মায়থিবা পীখি।

শান্নবা হৌরকপদগী য়ুম্বু টিমগী শান্নরোইশিংনা খুদুম চন্না শান্নবা হৌরকখি। শান্নবগী ৯শুবা মিনটতা সাওলিননা মেটচকী অহানবা গোল চনবা ঙমখি। মহাক্কী অনীশুবা গোল অদুনা অনীশুবা হাল্ফকী ৩৪শুবা মিনটতা চনখি।

য়ুম্বু টিমগী শান্নরোই সুসিলনা গোল ৪ অমগা হাপচিনবা ঙমখ্রে। মহাক্কী অহানবা গোল শান্নবগী ১৪শুবা মিনটতা চনবা ঙমখি। অদুগা অনীশুবা গোলনা শান্নবগী ২০শুবা মিনটতা চনখি। মহাক্কী অহুমশুবা অমদি মরিশুবা গোল অদুনা ৫৪ অমসুং ৫৮শুবা মিনটতা চনখি।

প্রদিপকুমারনা গোল ২ অমগা মায় পাকপা টিমগী স্কোরর তৌবা ঙমখি। অতোপ্পা শান্নরোই অহুম দিঙ্কু, রঞ্জিৎ অমসুং জেৎলিনা গোল অমমমগা হাপচিন্দুনা য়াম্না লাকচনা আর এস সিবু ১১–১ দা মায়থিবা পীখিবনি।

আরএসসিগী অমত্তা ঙাইরবা গোল অদুনা টি ঐচ পাইখোম্বনা শান্নবগী ৪৬শুবা মিনটতা চনবা ঙমখি।

অতোপ্পা ঙসি শান্নখিবা অরোইবা ক্বার্টর ফাইনেল মেটচ অমদা এনৱাইটিঐচসি ওক্রম চুথেক্না এমএমসি মোংখাম লম্বীবু পাঞ্জল ২–১ দা মায়থিবা পীখি।

ওক্রম চুথেক্কী মায় পাকপগী গোলশিং অদু ও অজয়না অনীশুবা হাল্ফকী ৪৮ অমদি ৫৭শুবা মিনটতা চনবা ঙমখি।

অদুগা এমএমসিগী অমত্তা ঙাইরবা গোল অদুনা রোনাল্ডোনা শান্নবগী ১৬শুবা মিনটতা চনবা ঙমখি। রোনাল্ডো শান্নবগী ২৯শুবা মিনটতা রেফরিনা য়েল্লো কার্দ অমা বুক তৌখি।

অতোপ্পা শান্নরোই অনী এনৱাইটিঐচসি গী ও অতোম্বা অমসুং এমএমসিগী হেরোজিৎ অনীবুসু রেফরিনা য়েল্লো কার্দ অমমম বুক তৌখি।

হয়েং শান্নগদবা অহানবা সেমি ফাইনেল মেটচতা ৱিলকো কোংবা বজার অমদি বিপিৱাইসি বাসিখোং পাম্বোইবী অনীনা লম্বা তৌনরগনি।

## সাইগী ওঝা ফুরুবগী মায়োক্তা শান্নরোইশিংনা ৱাকৎ মীফম ফমখ্রে




ইম্ফাল, মে ৭ঃ
স্পোর্টস ওথোরিটি ওফ ইন্দিয়া (সাই) খুমন লম্পাক্তা ৱুসুগী ওঝা ওইনা লৈবা এম প্রিয়োকুমার ছাত্রগী সংস্থান মণিপুর ষ্টুদেন্ট ফেদরেসননা খুৎ থারুই হায়বগী ৱাহৌদা য়ানিংদবা ফোঙদোকপা ওইনা য়াম্লবা সাইগী শান্নরোইশিংনা মিনুথোংগী নাকলগী খুমন লম্পাক হায়জিনফমদা ৱাকৎ মীফম অমা ফমখ্রে।

ৱাকৎ মীফম অদুদা শরুক য়াখিবা শান্নরোইশিংনা মরাল লৈবশিং লিগেল এক্সন লৌখৎলু অমদি অচুম্বা পুথোকপীয়ু হায়না থাবা প্লে কার্দ কয়া শিজিন্নখি।

অমরোমদা থৌদোক অদুগা মরী লৈননা ঙসি প্রেস ক্লবতা পাউমিশিংগা উনবা অমদা শান্নরোইশিংগী মমা–মপানা ফোঙদোকখিবদা চহি অসিগী জুলাই ৯ দগী হৌগদৌরিবা ৭শুবা ৱার্ল্ড জুনিয়র ৱুসু চেম্পিয়ন্সিপ ব্রাজিলদা পাঙথোক্কদৌরিবা ইন্দিয়াগী ওইনা শরুক য়ানবগী ভোপালদা পাঙথোকখিবা ট্রাইয়েল সেলেক্সন অসি হাবি–জাবি তৌবগী চিংনবা লৈরিবা অসি মরি লৈনবা ওথোরিটিনা য়েংশিনবীয়ু হায়না ট্রাইয়েল অসিদা মণিপুরগী মহুৎ শীন্দুনা শরুক য়ারুবা শান্নরোইশিংগী মমা–মপানা মহুৎ শিল্লদুনা লৈশাংথেম প্রিয়াশ্বরি না ফোঙদোকখ্রে। মহাক্না হায়খিবদা ইচাশিং অসিবু মী অমা ওইনবা অমদি মালেমগী মমাংদা অফবা অফাওবা শান্নরোই অমা ওইনবা হোৎনবদা পেরেন্টশিং অমদি ওঝাশিংনা ৱানা হোৎনজরিবা শান্নরোইশিং অসিবু মরম খঙদনা মপুং ফানা ট্রাইয়েল তৌদনা তোকথোকপা হায়বসি য়ানিংদে। ইচাশিং অসি হান্দক ব্রাজিন্দদা জুলাই ৯ দগী পাঙথোক্কদৌরিবা ৭শুবা ৱার্ল্ড জুনিয়র ৱুসু চেম্পিয়ন্সিপ অসিদা শরুক য়ানবগীদমক ট্রাইয়েল য়াওবা চৎখিবনি হায়রিবা শান্নরোইশিং অসি বেষ্ট পার্ফোমেন্স হান্নদগী লৈরকপা ঙাক্তনি অদুবু ওল ইন্দিয়াগী ওইনা ট্রাইয়েল সেলেক্সন অসিদা মাইবম প্রেমকুমার হায়রিবা মীওই অসিনা চিফ কোচ ওইনা সেলেক্সন তৌবনি । ট্রাইয়েল সেলেক্সন অসিদা ফাষ্ট ট্রাইয়েল সেলেক্সন পাঙথোত্তুনা মণিপুরদগী শান্নরোই ১০ খনঙগৎখি অদুগা ফাইনেল ট্রাইয়েল ওইনা জুন ৪দা পাঙথোক্কনি হায়দুনা লৈরগা অনীশুবা ট্রাইয়েল ফাইনেল অসি পাঙথোত্তুনা জুন ৫দা শান্নরোই ৫ অসি খনদ্রে হায়দুনা য়ুমদা হানখ্রো হায়রকপনি । ফাইনেল ট্রাইয়েল সেলেক্সন অসি সুংতৌ তৌদনা মতৌ করাম্না শান্নরোই ৫ অসি খনদোকখিবনো হায়বসি পেরেন্টশিংগী ৱাহংনি। মতুংদা অসিগুম্না শুম তৌরগদি শান্নরোই কয়াগী থম্মোয়দা পুক্লিং হম্থনবদগী মচৎ অমা ওইরক্কনি মসিদা মরি লৈনবা ওথোরিটিনা য়েংশিনবীদুনা অঙাংশিং অসি সেলেক্সন তৌদবগী মরম পীবীয়ু হায়না ফোঙদোকখি।

## রাজা গৌখোথাং গুইতে নিংশিং ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৮
# টিৱাইও অমসুং হেদ ক্বার্টর এসসি ক্বার্টর ফাইনেল চঙখ্রে

ইম্ফাল, মে ৭ঃ
লমকা পব্লিক গ্রাউন্দা চৎথরক্লিবা রাজা গৌখোথাং গুইতে নিংশিং ফুটবোল টুর্নামেন্টকী ঙসি শান্নখিবা প্রি ক্বার্টর ফাইনেল মেটচশিংদা মায় পাক্তুনা তুইরিং য়ুঠ ওর্গনাইজেসন অমসুং হেদ ক্বার্টর এসসি ক্বার্টর ফাইনেল চঙবা ঙমখ্রে।



ঙসি অহানবা শান্নখিবা প্রি ক্বার্টর ফাইনেল মেটচ অমদা তুইরিং য়ুঠ ওর্গনাইজেসননা এফসি জোমি কোলোনিবু পাঞ্জল ৫–১ দা মায়থিবা পীখি।

মায়পাকপগী গোলশিং অদু চাওবনা ২, কৃষ্ণানান্দ, জেসি অমসুং রোহিৎনা অমমম চনখি । চাওবগী অনীশুবা গোল অদু পেনালটিদা চনবা ঙমখিবনি।

এফসি জোমিগী অমত্তা ঙাইরবা গোল অদুনা লুনয়ুনা চনখি।

শান্নখিবা মেটচ অসিদা মায় পাকখিবা টিমগী শান্নরোই অনী ইমরান অমসুং রোহিৎ রেফরিনা য়েল্লো কার্দ অমমম বুক তৌখি।

অতোপ্পা ঙসি শান্নখিবা মেটচ অমদা হেদ ক্বার্টর এস সিনা অনপাক এফসিবু ২–০ দা মায়থিবা পীখি।

মায় পাকপগী গোলশিং অদু পিটর অমসুং ৱাহাসনা চনখি।

শান্নখিবা মেটচ অসিদা অহানবা গোল চনখিবা পিটর অমসুং অনপাক্কী শান্নরোই অহুম লুইথাংসন, সোংলালসোং অমসুং ঙমলেনলাল রেফরিনা য়েল্লো কার্দ অমমম বুক তৌখি।

## শ্যামকুমার ইনভাইটেসন কেস প্রাইজ ফুটবোল টুর্নামেন্ট
# লিলস মাস্কোটনা য়ুম্বু এপিয়ুসিও –বি বু ১–০দা মায়থিবা পীখ্রে

ইম্ফাল, মে ৭ঃ
এপিয়ুসিও পোইরৌখোংজিননা শীন্দুনা চৎথরক্লিবা ৬শুবা টিঐচ শ্যামকুমার ইনভাইটেসন কেস প্রাইজ ফুটবোল টুর্নামেন্টকী ঙসি শান্নখিবা অহানবা ক্বার্টর ফাইনেল মেটচ অমদা য়ুম্বু এপিয়ুসিও–বি বু পাঞ্জল ০–১ দা মায়থিবা পীরন্নগা লিলস মাস্কোট সেমি ফাইনেল চঙবা ঙমখ্রে।




ঙসি লিলস মাস্কোট অমদি এপিয়ুসিও–বি অনীনা শান্নখিবা ক্বার্টর ফাইনেল মেটচতা লিলস মাস্কোটনা ১–০ দা মায়থিবা পীখি।

লিলস মাস্কোটকী মায় পাকপগী অমত্তা ঙাইরবা গোল অদু অমরজিৎনা শান্নবগী ৯শুবা মিনটতা চনবা ঙমখি। মখা তানা শান্নবদা টিম অনীনা গোল অমত্তা চান্নবা ঙমখিদবদগী য়ুম্বু এপিয়ুসিও–বি মায়থিখি।

শান্নখিবা মেটচ অদুদা রেফরিনা শান্নরোই অনী য়ুম্বু টিমগী টি সুন্দর অমসুং মাস্কোটকী কুমারজিৎ শান্নবগী ২৭ অমসুং ৩৮ শুবা মিনটতা য়েল্লো কার্দ অমমম বুক তৌখি।

## ৮ মেন ওপন ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৮
# কেৱাইসি কৈনৌ অমসুং থোইবা এফসি মায় পাকখ্রে

ইম্ফাল, মে ৭ঃ
তৌবুল য়ুঠ দিভলপমেন্ট এসোসিয়েসননা শীন্দুনা তৌবুল মমাং প্লে গ্রাউন্দা চৎথরক্লিবা ৫শুবা থৌদাম কুমার মেমোরিয়েল ৮ মেন্স ওপন ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৮ কী ঙসি শান্নখিবা লীগ মেটচ অমদা কে ৱাই সি কৈনৌনা এফসি তাইদা –এ তৌবুলবু পাঞ্জল ১–০ দা মায়থিবা পীখ্রে।



কেৱাইসিগী অমত্তা ঙাইরবা মায় পাকপগী গোল অদু অঙৌনা শান্নবগী ৮শুবা মিনটতা চনবাঙমখি।

অতোপ্পা ঙসি শান্নখিবা লীগ মেটচ অমদনা থোইবা এফসিনা ও এসএ ওইনামবু পাঞ্জল ২–১ দা মায়থিবা পীখ্রে।

থোইবা এফ সি গী গোলশিং অদু কৃষ্ণ অমসুং চিখাকনা শান্নবগী ৩১ অমসুং ৩৭ শুবা মিনটতা চনবা ঙমখি।

অদুগা ওইনামগী অমত্তা ঙাইরবা গোল অদুনা ও সান্তনা শান্নবগী ৩৫শুবা মিনটতা চনখি।

## ৱাইখোম শামু নিংশিং ওপন বেদমিন্টন টুর্নামেন্ট ২০১৮
# তোম্বা অমসুং সুন্দরনা চহি ৩৫ অমদি ৪০গী মেন সিঙ্গলসকী টাইটল লৌখ্রে

ইম্ফাল, মে ৭ঃ
বেদমিন্টন লমজিং লুপ ৱাংজিংনা শিন্দুনা থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী ৱাংবল ইন্দোর ষ্টেদিয়মদা ৱাইখোম শামু নিংশিং ওপন বেদমিন্টন টুর্নামেন্টগী চহি ৩৫ অমসুং ৪০ মথক্কী মেন সিঙ্গলসকী টাইটলশিং টিঐচ তোম্বা অমসুং এন সুন্দরনা ফংবা ঙমখ্রে।

ঙসি শান্নখিবা চহি ৩৫ মথক্কী মেন সিঙ্গলসকী ফাইনেল মেটচতা টিঐচ তোম্বনা এন সুন্দরবু পোইন্ট২১–১৮, ২১–১৯ দা মায়থিবা পীখি।

কেতেগোরি অসিগী ঙসি অয়ুক শান্নখিবা সেমি ফাইনেল মেটচতা এন সুন্দরনা এল সুমন্তবু পোইন্ট ২১–১২, ২১–৭ দা মায়থিবা পীখি। অদুগা অতোপ্পা মেটচ অমদনা টিঐচ তোম্বনা পিঐচ ইরানজিৎপু ২১–১১, ২১–৭ দা মায়থিবা পীখি।

অতোপ্পা চহি ৪০ মথক্কী ঙসি শান্নখিবা ফাইনেল মেটচতা এন সুন্দরনা টিঐচ তোম্বাবু পোইন্ট ২১–১৭, ২৫–২৩ দা মায়থিবা পীখি।

কেতেগোরি অসিগী সেমি ফাইনেল মেটচশিংদা টি ঐচ তোম্বনা পিঐচ ইরানজিৎপু পোইন্ট ২১–১৩, ২১–১২ অমসুং এন সুন্দরনা টিঐচ কুমারজিৎপু পোইন্ট ২১–১২, ২১–১০ দা মায়থিবা পীখি।

অতোপ্পা ঙসি শান্নখিবা চহি ৪০ মথক্কী মেন্স দবলসকী ফাইনেল মেটচতা এন সুন্দর অমদি টি ঐচ তোম্বগী জুরানা দিজাংগো এ অমদি এ রামেশ্বরগী জুরাবু পোইন্ট ২১–১১, ২১–১৩ দা মায়থিবা পীরন্নগা কেতেগোরি অসিগী টাইটল লৌখি।

চহি ৩৫ মথক্কী দবলসকী ঙসি শান্নখিবা ফাইনেল মেটচতা এন সুন্দর অমসুং টিঐচ তোম্বগী জুরানা পিঐচ ইরানজিৎ অমসুং টিঐচ রাজু অনীগী জুরাবু মায়থিবা পীরন্নগা কেতেগোরি অসিগীসু টাইটল লৌবা ঙমখিবনি।

অতোপ্পা ঙসি শান্নখিবা মেন সিঙ্গলস ওপন কেতেগোরিগী সেমি ফাইনেল মেটচশিংদা কে ঐচ বিদ্যাচন্দ্রনা এস সোমেসকুমারবু পোইন্ট ২১–১১, ২১–১৫ অমসুং এস বানিসানানা এ বঙ্কিমবু পোইন্ট ২১–১২, ২১–১৬ দা মায়থিবা পীরন্নগা ফাইনেল চঙখ্রে।

মেন্স দবলস ওপন কেতেগোরিগী ঙসি শান্নখিবা সেমি ফাইনেল মেটচশিংদা এস সোমেসকুমার অমদি এস মানিসানা অমসুং কে ঐচ বিদ্যাচন্দ্র অমদি কেঐচ জোন জুরা অনি অসিনা মখোয়গী লম্বাশিংবু মায়থিবা পীরন্নগা ফাইনেল চঙবা ঙমখ্রে। মেন্স সিঙ্গলস অমসুং দবলসকী ওপন কেতেগোরিগী ফাইনেল মেটচশিং হয়েং শান্নরগনি।

## টিবিএসএফএ গী অন্দর –১৩ অমসুং ১৫ টিম
# শেম্নবা ট্রাইয়েল সেলেক্সন পাঙথোক্লগনি

ইম্ফাল, মে ৭ঃ
টি ঐচ বিরচন্দ্র সিংহ ফুটবোল একাদেমীগী মহুৎ শিন্নবা বিরচন্দ্র মেমোরিয়েল স্পোর্টিং ক্লবকী চহি ১৩ অমসুং ১৫ মখাগী টিমশিং শেম্নবগীদমক থা অসিগী ১০দা ট্রাইয়েল সেলেক্সন অমা পাঙথোক্লগনি।

চহি ১৩ মখাগী ওইনা শান্নরোইশিং অদু জনুৱারি তাং ১, ২০০৫ কী মতুংদা পোকপা ওইগদবনি। অদুগা চহি ১৫ গী ওইনা জনুৱারি ১, ২০০৩ দা পোকপা ওইগদবনি।

মখা তানা টিম শেম্বা অসিদা য়াওনিংবা শান্নরোইশিংনা মশা–মশাগী অধার কার্দ, দেট ওফ বার্থ সার্টিফিকেট অমসুং মশাগী কিটশিং লোয়নদুনা লাক্কবা খঙহল্লক্লি।

## ইম্ফাল ৱেষ্ট থাং–তা কম্পিটিসন পাঙথোক্লগনি

ইম্ফাল, মে ৭ঃ
মৈতৈ নোংশা লালোং থাং–তা এন্দ কলচরেল এসোসিয়েসন মাক্লং ব্রাঞ্চনা শীন্দুনা মাক্লং কম্মুনিটি হোলদা ১২শুবা ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট থাং–তা কম্পিটিসন হয়েংদগী পাঙথোক্লগনি।

হৌদোকপগী থৌরমদা ষ্টেট প্লন্নিং বোর্দকী দিপ্যুটি চিয়রমেন এস রঞ্জন সিংহনা অথোইবা মীথুংলেন, ৱার্ল্ড থাং–তা ফেদরেসনগী প্রসিদেন্ট ঐচ প্রেমকুমার সিংহনা থৌরম মপু, মৈতৈ নোংশা থাং–তা এসোসিয়েসনগী প্রসিদেন্ট এন সদানন্দ সিংহ, মাক্লং গ্রাম পাঞ্চায়তকী প্রধান লুক্রাম ওংবী লৈমহল দেবী, গ্রাম পাঞ্চায়ত অসিগী ৱার্দ মেম্বর থোকচোম ওংবী শান্তি দেবীনা অখন্নবা মীথুংলেন ওইনা শরুক য়াগনি।







Owned and Published by Longjam Shyamananda Singh at Sega Road, Konjeng Hazari Leikai, Imphal West, Imphal-795001, Manipur and Printed at Advance Printers, Sega Road, Konjeng Hazari Leikai, Imphal West, Imphal-795001, Manipur. Acting Editor: N. Krishnamohon Singh RNI Registration No. 31350/ 77; Tel # 2459064, e-mail : sanaleibaknews@yahoo.com, sanaleibakdaily2008@gmail.com